ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ২৮, ২০১৯, ইম্ফাল

৪২ শুবা চহী, ৩০২শুবা মশীং

# মীখলগী য়েংলগা লৌখৎলক্কদবা থৌরাং

## তুংদা লাক্কদবা লৈঙাক্তা অরূম্বা পোৎলুম থোংগৎলমগদৌরিব্রা?

*লাক্কদৌরিবা* লোক সভা মীখলগী য়েংলগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর লাখ ১ রোমগী থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না তোঙান-তোঙানবা সোর্ছ অনীনা ফোঙদোক্লি। অহেনবা চাদিং তৌগদৌরিবা থৌরাং অসিগী পোৎলুম তুংদা লাক্কদবা লৈঙাক্কী কোকথক্তা থোংগৎলমগদৌরি। বজেট দিফিসিট হন্থহন্নবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংদসু অপনবা পীরক্কদৌরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়াম্না মরু ওইবা ষ্টেট অহুমগী এসেমব্লি মীখলদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মায়থিখি। লৌমীশিংনা শেল চঙনা পুথোরকপা মহয়-মরোং পূম্নমক মমল ৱাংনা য়োনবা ঙমদবদগী খুঙ্গংদা লৈরিবা মীয়াম্না উৎথোরকপা অশাওবা পূম্নমক্কী মমি মীখলদা শোয়দনা তারবা য়াই হায়না থাজনরি। তোঙান-তোঙানবা ওপিনিয়ন পোলশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাঙজিন থাবা ঙমগনি হায়বা রিপোর্ট ফংলবসু মমাঙগী মীখলগা মান্নবা মওংদা কা-হেন্না ফীভম ফবদি ওইরোইদৌরি। ফেব্রুৱারী ১ দা পুথোক্কদৌরিবা ইন্টরিম বজেটতা লৌমীশিংগী কান্নবা থৌরাং কয়া য়াওহন্দুনা মাঙলুরবা মীয়ামগী থাজবা অমুক হঞ্জিলহন্নবা হোৎনরকপা য়াই হায়না লৌনরি। লৌমীশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা ফন্দ দাইরেক্ট ট্রান্সফর তৌবা অমসুং শেন্দোই য়াওদনা লোন পীবগী ৱাফম লাউথোরকপা য়াই হায়না সোর্ছ অমনা ফোঙদোক্লি। জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিং থবক চঙবা অমসুং মহৈতেন্ফম লোয়শঙদা মিং চনবদা চাদা ১০ রিজার্ভেসন পীবগা লোয়ননা লোকল বিজনিসমেনশিংগী কান্নগদবা থৌরাং খরা লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা অখন্নবা লৌমীশিংগী অশাওবা ফাথনবা থৌরাং কয়া ইন্টরিম বজেটতা য়াওহল্লক্কদ্রা হায়না থাজনরি। পূম্নমক অসি মার্চ নৎত্রগা মে থাদা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরিবা মীখলগী মতম লাউথোক্ত্রিঙৈদা লৌখৎহৌগদবা থৌরাংনি। মীখলগী মতম লাউথোকখ্রবদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবা হৌরগদবা মরম্না ভোটরশিংদা ঈথিল পীগদবা থৌরাং অমত্তা লাউথোকপা য়াররোই।

ফিস্কেল য়র ২০১৭-১৮গী ওইনা লৈবাক অসিগী ফিস্কেল দিফিসিট লুপা ক্রোর লাখ ৫.৯ নি। মসি গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)গী চাদা ৩.৫ নি। অদুবু মরু ওইবা ষ্টেট অহুমগী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পি মায়থিখ্রবা মতুংদা মোদি গভর্ণমেন্টনা য়ুনিফাইদ গূদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)গী মখাদা অপীকপা ললোন ইতিক তৌরিবশিংদগী টেক্স লৌখিদ্রে। হান্না ইনকম টেক্স থীরম্বা মীওই কয়াবুসু টেক্স থীহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা জেনরেল কেটগরিগী লায়রবশিংদা চাদা ১০গী ক্বোটা পীনবগী পান্দমদা মেদিকেল কোলেজশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংগী সীট মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন গৌরব বলভনা হায়, মীখল নকশিল্লকপদা মীপাইবা পোক্লবা মোদি গভর্ণমেন্টনা অচুম-অরান য়েংদনা তহা-তহা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং মতম চানা থিংহৌবা চুমগনি। কুমজা ২০১৬ তা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগা লোয়ননা ২০১৭ তা জি এস টি চৎনহনখিবনা শোকহল্লবা মীওইশিং থেমজিন্নবগীদমক লৌমীশিংদা শেনে দাই য়াওদবা লোন পীবা মতমদা চহী খূদিংগী লৈঙাক্না লুপা বিলিয়ন ১২০ অরেম্বদা চাদিং তৌরগনি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা পর্সনেল অমদি কম্মর্সিয়েল টেক্স কন্সেসন পীবদা লুপা বিলিয়ন ২৫০গী রেভিন্যু মাঙজগদৌরি। খূদম ওইনা সিমেন্টতা লৌরম্বা জি এস টি চাদা ২৮ ওইরম্বদগী চাদা ১৮ দা হন্থহনবা মতমদা চহীগী ওইনা লুপা বিলিয়ন ১৩০ মাঙজরগনি। মীখল ময়াগী য়েংলগা মশাগী লম লৈজবা লৌমীশিংদা হেক্টর খূদিংগী লুপা ২০০০ দগীনা লুপা ৪০০০ ফাওবা পীরবা য়াই। মসিনা লৈঙাক্কী শেনগাওদগী লুপা ট্রিলিয়ন ১ অরেম্বদা মাঙহল্লগনি। চৈরকসিদা রিপোর্ট অমনা হায়, জি এস টিগী শেনফম মপূং ফানা খোমগৎপা ঙমদবা অমসুং এক্সাইজ দ্যুটি হন্থহনবনা মরম ওইরগা ফিস্কেল দিফিসিটকী চাং অমুক্কা হেন্না ৱাংখৎলকপা য়াই। লৈঙাক্কী অনৌবা থৌরাং অসিগী চপ চাবা চৈথেং মথংগী ফিস্কেল য়রদা ময়েক শেংনা উবা ফংলগনি। ওপিনিয়ন পোল অমগী রিপোর্টতা মীয়াম্না এন দি এ লৈঙাক্তা শাউনিংবগী মমি ময়েক শেংনা তারে। ওপিনিয়ন পোল অদুগী রিপোর্টনা হায়, হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সনদা উত্তর প্রদেশকী অপূনবা সীট ৮০গী মনুংদা এন দি এনা ২৯, এস পি- বি এস পি এলাইন্সনা ৮৯, কোংগ্রেসনা ২ অমসুং অতৈ পার্টিশিংনা সীট ৫ ফংবা য়াই। মণিপুরদা বি জে পিনা লোক সভাগী সীট ফংবা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লি। পান্দম অসি ফংনবা হোৎনবদা সেন্টরনা লৌখৎলক্কদবা শেল-থুমগা মরী লৈনবা থৌরাংশিংনা মথংদা লাক্কদৌরিবা লৈঙাক্তা শেল-থুমগী অরূম্বা পোৎলুম অমা থোংগৎলমগদৌরি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লিগেল এৱ্যেরনেস

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*আইন (লো)* না মীওইববু ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা খুন্নাই অমবু শেমগৎ শাগৎপদা ঙাকলৌ পীবনা ঐখোয় মীওইবনা আই অমদি কোর্টপু ইকায়খুম্নবা তঙাইফদে। হন্দক লিগেল এৱ্যেরনেস কেম্প পাঙথোকপগী পাউ তাবদা নুংঙাই, য়াম্না ফৈ। থেংবু থেংমল্লবনি। আইনগী মতেং লৌবা পামদবা মী মালেমদা লৈরম্লোই খল্লি। হুরানবা, মীহাৎপা মী ফাওবদা ৱায়েলশঙদা আইনগী মতেং লৌদুনা মশা ঙাকথোকচনবা অমদি কঞ্জনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। খৎন-চৈনবগী, মীহাৎ-মীপূনগী, হুরান-চিন্থিগী, লৌরি-য়ূম্ফমগী অচুম্বা ৱায়েল তৌবীনবা, ফংজনবা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎনরি। পূম্নমক অসি লিগেল এৱ্যেরনেস লৈবদগীনি। নৎলমদ্রবদি ইচা হাৎলবদি নচা হাৎকনি, ইমা হাৎলবদি নমা হাৎকনি, ঐগী নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লবদি নঙগী নুপীসু ইকায়খুম্নবা মাঙহনগনি, ঐগী গাড়ী হুখ্রবদি ঐসু মীগী গাড়ী হুগনি, মীনা ঐগী লম খোপচিনখ্রবদি ঐসু মীগী লম খোপচিনগনি খন্নরম্লবদি মীওইবগী খুন্নাই করি ওইরমগনি? লিগেল এৱ্যেরনেস লৈবদগী মসি তৌনদ্রিবনি। ৱায়েলশঙদা ৱাকৎনরিবনি। ৱায়েল কাঙলোন (লো) অমদি ৱায়েলশঙ (কোর্ট) বু ইকায়খুম্নবা হায়বসি মীওইবা ঐখোয়গী তঙাইফদ্রবা ইথৌদাংনি। তৌবতবু অমগীবু ওইরো, অমগীবু ওইরো কেস অমা চত্থবদা মপা হাক্তক্তগী মচা হাক্তক ফাওবা লোইদবা থোক্লগদি লিগেল এৱ্যেরনেসকী চন্নফম হংনীংঙাই ওইরক্কনি। চিন্না লিগেল এৱ্যেরনেস পীবদগী থবক্লা, খূৎনা পীরবদি মীয়াম্না ৱাখল তাবা হেনবা য়াই। কেস মতম য়াম্না চঙবা-চঙদবা হায়বসিদা উকিলশিংগীসু চাউরবা থৌদাং লৈতবা নত্তে। নোংমা পাউচে পাবদা থেংনজখি মদুদি দেল্লি ট্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসন্দা পৈশা ৫ চেন্নবগী বস কন্দক্টর ওইবা রনবির সিংহ যাদব কৌবা অমগা কেস থেংনখিবগী ৱাথোক **Justice delayed is Justice denied.**

*অদোমগী - মাইবম রুপবতি*

*সোইবম লৈকায় মেরি লৈরক, পোরোম্পাৎ সব-দিভিজন, ইম্ফাল ইষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৮

১। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা কংলা-শা ঙসিসু ঐখোয়গী ষ্টেট এমব্লেম ওইরি। বর্মিজনা অমুক, বৃটিশনা অমুক, অনীরক থুগাইরুরবনি।
(ক) করম্বা নিংথৌনা কংলাদা কংলা-শা ইহান হান্না শাখিবগে?
(খ) বর্মিজশিংনা চহী ৭ খুন্তাকপদা থুগাইরম্লবা মতুং নরসিংহ মহারাজনা অমুক নৌনা শাখিবনি। করম্বা চহীদনো?

২। ''মানি নঙসে নুপী/মপু মাগী মঙলাল/মঙলাল মশামক/তাইবঙদা থোকপা লুগী তোংগী হকচাং।'' পরেংশিং অসি কবি মীনকেতনগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''ঈশ্বর করিনো? ঈশ্বরগী অশেংবা অর্থদি অমরোমদা ইংরাজিদা কন্ট্রোল্লর হায়বনি।'' ৱাফম অসি 'ধর্ম অমসুং বিজ্ঞান' কৌবা ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। ''খনব্রা নঙনা নুমিৎ অদুদা/ইমাসিং অদুখক্তনি ফি লংথোক/ইকাই ইকি পূম্বা তেমশিংনখিবা।'' পরেংশিং অসিনা মেমচৌবীগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। ''শিনাই তুরেলগী মপান্দা চোংথা মিয়াগী হকচাং পোৎলোইখিবা মং অদু, ৱাপল ময়াম অমনা কোয়শিন্দুনা লৈরি। ৱাফম অসি 'মেজর চোংথা মিয়া' কৌবা পুন্সি ৱারীদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# লৌমীশিংগী কাখল

## বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না : ষ্টোক রোট অমসুং সোফ রোট

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**



তিলহৌ পাম্বীদা মখল মখা কয়াগী লায়না তীলনাশিং তারিবসি কোকফাইনা থোকহনবা লায়নানা অয়াম্বনি অদুবু বেক্টেরিয়া অমসুং ভাইরসনা থোকহনবা লায়না কয়াসু থেংনরি। বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা ষ্টোক রোট অমসুং সোফ রোট হায়বা লায়না মখল অনীসি লমদমসিদা তোয়না থেংনরি। ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা য়েলো দ্বার্ফ মমিং পনবা য়াই। তীলনাশিংগী মনুংদা মরী-মরী চৎপী (লিফ মাইনর) তীলকুপ (থ্রিপস) তিলহৌ হন অমসুং মখোঙ ককপী মমিং পনবা য়াই।

*ষ্টোক রোট ঃ* বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা তিলহৌ পুম্বীগী লায়না অসিনা তিলহৌগী মপাল য়াওবা মখোক্কী মখা ইথং থংবা শরুকশিংদগী পৎপা হৌরকই। মসিনা মরম ওইরগা মপালশিংনা মরূ চঙদ্রিঙৈদা পৎলকই, মরূ চঙবা ঙমহন্দে। মসিদা নত্তনা মরূ লৌনবা থাবা নৎত্রগসু লায়না চেল্লবা তিলহৌশিং খাউরবা মতুংদা পৎ-পূম্বা তোয়না থেংনৈ। বেক্টেরিয়া অসিনা তিলহৌ মরূদগী মপান থংবা শরুকশিংদা লৈরম্বদগী মনুং চঙশিনখি, পৎলকই। খাউবদা খূৎলায়না শোকখিবা মফমশিংদা লায়না চঙখিবা লায়হল্লি। পৎলবা তিলহৌশিং নমথিবা মনম নম্মী। তিলহৌ অমদগী অমদা লানশিন্দুনা লীদুনা থম্বদা অকায়বা পী।

*সোফট রোট ঃ* লায়না অসিসু বেক্টেরিয়ানা থোকহনবনি। অদুমকপু লায়নাগী লায়ওং উৎফম খেন্নৈ। লায়না অসিনা শোক্লবা তিলহৌ পাম্বীশিংগী মঙক পৎপা হৌরকই। পাম্বীনা মপূং ফাদ্রিঙৈদা লায়নাসি মথং মথং ফাওজিনখিদুনা তিলহৌ মরূগী মনুং য়ৌশিনখি। চোৎ চোৎ লাউনা পৎলকই। মঙক্তা মেত্তুনা য়েংবদা নমথিবা মনম য়াওবা কোঙ্গোল অমসুং ঙৌরুনবা মহি থোরকই। নমথিবা মনম নম্মী।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ* ১) বেক্টেরিয়ানা নারবা (লায়না মখল অনীমক) পাম্বীশিংদা **Carbendazim 50% WP** গ্রাম ১০০ গা **Streptocyclene** গ্রাম তরুক ঈশিং লিটর ৫০ দা তুমহনবীরগা কাপথোকপদা লায়না অসিবু মখা তানা শন্দোকহন্দে।

২) মনা শংলিঙৈ, মঙক চেৎত্রিঙৈদা মনা কক্লগা লীবা হায়বসি লায়না তানবগী মরম অমনি।

৩) মঙক চেৎলবা তিলহৌ মরূদমক লীগনি।

৪) লীংলমদাইদা চারাশিংগী মরা অমসুং মখোক **Streptocyclene** দা তিংহৌগনি। **Streptocyclene** গ্রাম ৬ ঈশিং লিটর ৫০ দা তুমহনবীরগা চারাশিংগী মখোঙ চোৎনা পুং অনী তিংহৌবা ফৈ।

*য়েলো দ্বার্ফ ঃ* ভাইরসনা থোকহনবা লায়না অসিনা নারবা তিলহৌ পাম্বীগিংগী মনা নাপু চঙই। নেমশিন্না, শুংজিন্না লৈ। মনাশিং পাকথোকপা লিং-লিং লাউবা য়াওই পায়বদা চগন্নৈ, তেক্কল্লি। মরুওইনা লায়না অসি তীলকুপশিংনা শন্দোকই।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ* ১) অফবা মরূ শীজিন্নগনি (২) মশা ফরিবা পাম্বীশিংগী মরক্তা য়াওরকপা লায়না চেল্লবা পাম্বীশিং মতম মতমগী ওইনা লৌথোক্কনি (৩) লায়না অসিবু অনাবা পাম্বী অমদগী নাদবা পাম্বী অমদা শন্দোক্লিবা তীলকুপশিং হাৎনবা **Dichlorovos 76 %** মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিটর ১০ খুদিংদা য়ানবীরগা কাপথোক্কনি।

তিলহৌ পাম্বীদা তারিবা তীলশিংগী মনুংদা *লিফ মাইনর, থ্রীপস, তিলহৌ হন* অমসুং *মখোক ককপী* পনবা য়াই।

*লিফ মাইনর ঃ* তিলহৌ মনাগী মনুং হুত্তুনা চঙখ্রগা মনাশিংবু অঙৌবা-নাপু মচুগী মরী-মরী চৎপী দাগশিং লৈহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা তিলহৌদা কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়াগী লায়না কয়াবুসু শন্দোকপদা মতেং পাঙই। মসিদা নত্তনা তিলহৌ মরূ চাউবসু হন্থহল্লি।

*থ্রীপস ঃ* অপীকপা মচু তাইফেৎ তাইবা তিলহৌগী মনা চাবী তীল অসি জান্যুৱারীগী অরোইবা শরুক্তগী মে থা ফাওবা তাগল্লি। অদুবু হায়রিবা তীল অসি মনা চানবা থাবা লমদম অসিগী অপিকপা তিলহৌ মখলদদি চহী চুপ্পা তাই হায়বা য়াই। তীল অসিনা তিলহৌ মনাগী মতোনশিংদা অঙৌবা দাগশিং লৈহনবগা লোয়ননা খুইজিলহল্লি। মসিগী ফীভম অসিবু *সিলভর টোপ* হায়না খঙনৈ। তীলনা অসি তিলহৌনা মপান শারকপা মতমদনা হেন্না শাথি।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ* তীলনা অনীমকপু ঙাকথোক্লবগীদমক - ক) অওন পোৎথা তৌবীগনি। খ) তীলনা অসিদগী খরা মখৈ ঙাকথোকচবা ঙমজবা তিলহৌ মখলশিং থাবীগনি। খুদম ওইনা *নাসিক রেড* অমসুং *স্পেনিস হ্বাইট* মমিং পনবা য়াই। গ) **Spinosad 45%** মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিযর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই নৎত্রগসু **Dicofol (Colonel-S)** মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

*হন চঙবা ঃ* তীলনা অসিনা শোকহল্লবা তিলহৌ পাম্বীগী মতোন থংবা শরুক্তগী কোনা মচু চঙলকপগা লোয়ননা পাম্বী অদু খুইজিলহল্লি। তিলহৌ মরূ অমসুং মখোকৱাইদু চপশিল্লকই, মহি থোকপগুম উগনি। খায়দোক্তুনা য়েংবদা সেন্টিমিটর মখায় অমমুক্তং শাংবা মনীং হুইথবা হনশিং য়াওরম্বা থেংনগনি।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ* থ্রীপসকী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ অদুমক চপ মান্ননা চত্থবীবা য়াই।

*মখোঙ ককপী ঃ* তীল অসিনা মখল কয়াগী পাম্বীশিংগী মখোঙ ককথৎলি। নিংথম মতমগী পাম্বীশিংদনা অমুক হেন্না মাঙহন তাকহল্লি। তীল অসিনা লৈমায় মপাদা পাম্বীশিংগী মখোঙ ককথৎলি। ককথৎপগী থবক অসিসু নুমিদাংগী মতমদনা অয়াম্বা তৌই।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ ঃ* ক) ইঞ্চোলদা ফত্ত-হৌদি লৈহনবীরোইদবনি। খোমজিল্লগা মৈ থাদোকপীগনি। অচৌবা তেম্পাক লৈতুমশিং থুগাইবীগনি।

খ) **Fenvelerate 0.4DP** নৎত্রগা **Malathion 5%** কিলোগ্রাম ২৫-৩০ ফাওবা পরি অমগী লমদা অরোইবা লৌওনগী মাংওইননা হাপ্পীবা য়াই। মসিনা তীলনা অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

## থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিং খন্দোকপা

**ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী**



ষণ লাবশিংসি অসিগী মশাগী মপাঙ্গলসি ষণবুশিংনা লৌউ-শিংউ তৌবদা হায়বদি শম্পোৎ খোইবা, উকাই তকপদা, লৌ লোকপদা, ঈশিং চিংখৎপদা, মী অমদি পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নরি।

ষণ পাবোট অমনা পুং অমদা কিলোমিটর ৪-৫ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। কা হেন্না থুনা চৎহন্দ্রগদি নোংমদা কিলোমিটর ২৫-৩০ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। নোংমদা মখোয়না চৎপগী চাংসি মফমদুগী হৱা নুংশিৎ, মখোয়দা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং, শাবন লাকপা পোৎলমশিং অমদি মখোয়বু পুদুনা চৎলিবা মপূদুগীসু মখা য়াম্না পোল্লি। য়ামদ্রবদা নোংমদা ষণ লাবা অমনা পুং ৫ দগী হেন্না থবক শুহনবীরোইদবনি। খরা ৱাদবা নৎত্রগা য়াংবা থবকশিং শীজিন্নগে হায়রগদি হায়রিবা পুং ৫দগী খরা হেনবা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই। থবক শীজিন্নগদবা ষণশিংসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, শাওগন্দবা ওইবা, মশা-মউ ফবা, নীংথিনা ৱাং-চাউবা ওইগনি অমদি চৎপা মতমদসু মশা য়াঙনা চৎপা ঙম্বা ওইগনি।

*থবক শীজিন্নবা হৌবগী মতম :*

হান্নদগী লৈজরক্লবা ষণ ওইরগদি চহী ৪ শুরকপদগী থবক শীজিন্নবা য়ারে অদুগা ক্রোস ব্রিদ ওইরগনা হায়রিবা মতমসিদগী ঙন্না শীজিন্নবা য়াই। ষণ লাবশিং চহী নৌনা শীজিন্নরগদি চাউদম থিনগনি, শরূ শয়াং মপূং ফাবা ঙমদে, চহী য়াম্লবা ষণ শীজিন্নববুদি চহী নৌরিবা ষণ হায়বদি শীজিন্নবা য়ারবা মতমদা লাঙ্গোল হাপ্তুনা শীজিন্নবনা হেন্না তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াই। থবক শীজিন্নগদৌরিবা ষণ লাবশিং থবক হৌদ্রিঙৈদা মখোয়না চহী ১-২ শুরকপদা মশা শেমদোকপীবা য়ারে। মতম চানা মশা শেমদোকপীহৌরগদি ষণ লাবশিংসি ফীংদবা, ঈং-তপ্পা অমা ওইহল্লি, শাথিদে। মশা-মউ ফৈ, তুপ-তুপ লাউগনবা ওই। করিগুম্বা চহী লীরবা ষণ লাবশিং লাঙ্গোল হাপ্তুনা থবক শীজিন্নবদা ৱানা থোকই, তম্বীরগসু তুং কোয়না চৎতে।

*থবক শীজিন্ননবা ষণ লাবা খনবা :*

ষণ লাবশিং চাউরি মতিক থবক য়াম্না শূবা ঙম্মী। শোন্দম্নবা ষণ ওইরগদি কা হেন্না শাংনা শূবা ঙমদে। থবক শীজিন্নবা ষণ খনবা মতমদা মখোঙ মরিমক অশোয়-অঙাম য়াওরোইদবনি। ষণ লাবশিংগী মরুম/মনম পোল্লিবদু য়াম্না চেঙ্গৈশিন্না চাউবা ওইগনি। মনিংগী অশাংবা শরুক্তু লেভেল অমদা লৈগনি। মশাগী শন্দোংশিং মত্রং-মত্রং কাবা/কনবা শরূশিং অশোয় অঙাম য়াওদবা ওইগনি। ষণগী লোংখুমগী মচু মুবা, অনীগী কারক্তা শীৎ নানবা অমদি পরেং অমতদা লৈবা ওইগনি। লোংখুম অনীগী মরক্তু কা হেন্না লাওবা ওইরোইদবনি। খুকউগী শরূ চাউথোকপা, চৎপা ঙমদবগী অৱাবা লৈব্রা হায়বদু য়েংশিনবীগনি। ষণগী মঙকসু মখল অমতগী অপোম্বা লৈরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু পোৎ পুবা ঙম্বা ওইবতা নত্তনা লেপ্পা মতমদা মকোক হাইগৎনা লৈবা, থবক তৌবা মতমদা মমৈ ৱাংখৎনা লৈবা উগনি। মসিনা তাক্লিবসি ষণশিংদু য়াম্না মীৎ-না শিংবা, মশা মউ খিংবা অমদি চেকশিনবগী মওং উৎপনি।

থবক তৌনবা ষণ পাবোট অমা শেম্বা মতমদা ষণ লাবা অনীমক চাউ-শাংবা মান্নগনি, ঈং তপ্পা ওইগনি। করিগুম্বা অনীমক চাউবা মান্নদ্রগদি লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা চপ চানা ফীভম তানা হাপ্পা ঙমদে। অসিগুম্বা ষণ লাবা অনীমক চাউ শাংবা মান্নদ্রগদি খ্বাইদগী চাউবদুনা পোৎলুম অয়াম্বা পুই। মসিদা অচৌবা ষণদা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি মতিং হুৎনা থবক তৌবা ঙমদে।

*লাঙ্গোল হাপ্লগা থবক শূবা তম্বীবা :*

মতম চঙনা ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা তম্বীবদা অরেম্বদা মাঙদে। তাকপী তম্বীদ্রি মমাঙ থা ১-২ ৱাৎলিঙৈদা ষণগী মনাতোন্দা মখুল হুৎতুনা নাতোন্দা থৌরি থিংজিল্লগা শেম্বীগনি। অহানবদা ষণ লাবসি ষণবুনা পুথোক্তুনা মাগা মত চান্নবা হোৎনবীগনি। তাকপী তম্বীগদৌরিবা ষণ লাবদুদা মপূনা তাথি তাওই তৌবিরোইদবনি অমদি ফু চৈবসু তৌবিরোইদবনি। ষণ লাবশিংবু মপূদুনা তুং কোয়না লোইনগদৌবা মরম্না মপূনসু মরুপকুম্না নিংথিনা শেন্নবীগনি।

অনীশুবদা ষণ লাবশিংদু লাঙ্গোল হাপ্পা তম্বীগনি। লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা ষণ অনীমক্তা হাপ্লগা ষণ লাবা অনীমক হান্না লৈরম্বা সাইটতা লৈহনগনি হায়বদি ষণ লাবদু লাঙ্গোল হাপ্লগা ওইরোমদা লৈরগদি ওইরোমদা অদুমক লৈহনগনি। অদুগা য়েৎলোমদা লৈবদুনা মতম পূম্নমক্তা অদুমক লৈগনি। ষণ অনীমক্না লাঙ্গোল হাপ্লগা চৎপা ঙম্লগদি পোৎশিং য়াম্লবদা কেজি ৭৫ মুক্কী পোৎ লাঙ্গোলগী ময়ায়দা থম্লগা থৌরিনা চিংবা তম্বীগনি। মসিগী মওংসিদা হৈনরগদি মপূনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক হায়বদি লেপ্পু, চৎলু, চেল্লু, য়েৎতা লৈবা, ওইদা চৎপা, চুম্না চৎপা খুদিংমক তম্বীবা য়ারে। মসিগীদমক্তা মশীং য়াম্না চপ মান্ননা তৌহন্দুনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক মতুং ইন্নবা হোৎনরক্কনি।

*পীজ-পীথক তৌবা :*

শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাকসু হেন্না অমদি খরা হন্থনা পীজবীগনি। কা হেন্না থবক শীজিন্নবা মতম হায়বদি লৌউ-শিংউগী মতমদদি হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। পীজবিবা মতমদা মফোনগী শরুক্লা খরা হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। শজিক ঙাক্তা পীজবীবগী ৱাখল ষণবুনা থাদোকপীগনি। মশা-মউ ফনা থম্নবা অমদি লূ-নান্না থম্নবা ষণবুনা ষণগী মশাশিং তকথোকপীগনি। মশা শেংদোকপা মতমদসু থবক হৌরবা মতুং নৎত্রগা হৌদ্রিঙৈ চরু খুবাম অমা পায়বিদুনা মশাদু তকথোকপীগনি।

য়াম্না শাবা মতমদা ষণশিংদু থবক শুহনবীরোইদবনি। কালেনগী মতমদদি অয়ূক পুং ১০ ফাওবা অমদি নুংথিলগী মতমদনা পুং ৩-৬ ফাওবা শীজিন্নবীগনি। পুং ২ শুরবা মতুংদা ঙাইহাক অমুক ষণশিংদু পোত্থাহনবীগনি। পোত্থাবা মতমদসু উরুম লাংবা মফমদা থম্বীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। কা হেন্না ষণশিংদু থবক শুহনবীরোইদবনি। মসিনা লুম্বা হন্থহনবদা নত্তনা মশাদসু অশোয় অঙাম য়াওরকই। মফম খরদদি থবক তৌদ্রিঙৈদা ষণগী লোংখুমদা খোঙউপ উপ্পী। মসিনা খোঙ শোকপগী চাং হন্থে। লোংখুমগী খোঙউপশিংসি থবক অদুম শীজিন্নরগদি থা ২ খুদিংগী শিনবীগনি।

অসুম্না নীংথিনা ষণবুশিংনা মশাগী ষণশিংদু কা হেন্না ফুবিদনা হেন্না অরুম্বা পোৎলম কয়া অমা হাপ্পীদুনা পাবোট শেন্নিবা ষণশিংদা খক তৌবিরোইদবনি অমদি লুনা তৌবিদুনা নীংথিনা পীজ-পীথক্তুনা মরুপকুম্না ষণবুশিংনা লোইনবীগনি।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*